## গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

## শ্রী এন বিরেন সিংহ

## ওনরেবল চিফ মিনিষ্টর, মণিপুর

## (ইন–চার্জ ফাইনান্স) না

# ২০২৩–২৪ গী

# সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডস ফোর গ্রান্টসকী

# পীগদবা ৱারোল

ইং, ২০২৪, ফেব্রুৱারী ২৮

মিষ্টর স্পিকর সার,

ঐহাক্না চহী ২০২৩–২৪গী দিমাণ্ডস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট লাহ্নোকচরি।

২. ঐহাক্না ষ্টেট অসিগী ওভরওল ফাইনান্সিএল পোজিসন অমদি ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি অদু মতাং অসিদা শন্দোক্না থমজররোই। মসি ঐহাক্না ইং ২০২৪–২৫গী বজেট থমজবা মতমদা পঞ্জররক্লগে।

৩. হৌজিক নীজরিবা সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী শেনফম অসি দিমাণ্ড ২৬ অমদি এপ্রোপ্রিএসন ২ কোভর তৌনবগীদমক্তা লুপা কোটি ৩,৫৪৬ নি। মসিগী মনুংদা, লুপা কোটি ২০২৭ না রাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী চার্জ তৌবনি অমদি লুপা কোটি ১৫১৯ না হাউস অসিনা ভোটেদ তৌগদবনি।

৪. করিগীদমক্তা সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসি থল্লিবনো হায়বগী মতাংদা ঐহাক্না তেন্তক্না থমজগে। সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসি পেন্সনরি চার্জেজ, মরুওইবা প্রোজেক্ট অমদি স্কীমনচিংবশিং অমসুং সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমনচিংবশিংগী ফণ্ড এল্লোকেসন তৌবদা চাওনা চঙবদা দরকার ওইবগীনি। মসিগী মথক্তা, কেপিটেল একাউন্টতগী রেভিন্যুদা অমদি ‘ভোটেদ’ তগী ‘চার্জ’ দা অমদি অমনা অমদগী ওনখৎলকপদা ফণ্ড রিএপ্রোপ্রিএসন তৌবদা অথিংবা লৈবনা দিমাণ্ডস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টসকী খুত্থাংদা অহেনবা ফণ্ডশিং পীবা অসি তঙাইফদবা ওইরকপননি।

৫. তৌদ্রবসু য়াবা এক্সপেন্দিচরশিংদা হেনগৎলকপা অসি কন্ট্রোল তৌনবা রাজ্য সরকার অসিনা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎলি। খ্বাইদগী য়ামদনা, মরুওইবা অমদি খুদক্কী দরকার লৈবা খক্তগী দরকার ওইবশিং অদুগীদমক অহেনবা ফণ্ডশিং নীজরি।

৬. তেন্তকপা ৱারেল অসিগা লোয়ননা, মিষ্টর স্পিকর সার, ঐহাক্না ঙসিগী চীং লেন্নবা হাউস অসিদা সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডস ফোর গ্রান্টস ২০২৩–২৪ অসি খন্নবিনবা অমদি পাস তৌবিনা থমজরি।